# প্রো রেষ্টলিং লীগকী ওক্সন পাঙথোক্তুনা বজ্রং পুনিয়াবু দেল্লিনা লুপা লাখ ৩৮ দা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৭ : অনীশুবা সিজনগী প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিয়ু এল) কী ওক্সন ঙরাং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়াবু দিল্লিনা লুপা লাখ ৩৮ দা লৈখ্রে।

রিও ওলেম্পিক গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট জোর্জিয়াগী ভলাদিমির খিনচেগাসভিলিবু পঞ্জাবনা লুপা লাখ ৪৮ দা লৈখিদুনা লীগ অসিগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা রেষ্টলর ওইখি। মসিদা নত্তনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট অজার্বৈজানগী টোগ্রুল অসগারোভপু পঞ্জাবনা লুপা লাখ ৩৫ দা লৈখি।

কুমজা ২০১৬-১৭ কী লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ফ্রেঞ্চাইজ তরুক মুম্বাই, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, দিল্লি, হরিয়ানা অমদি জয়পুরনা ওক্সন অদুদা হান্নগী অমদি হৌজিক্কী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ওলেম্পিয়নশিংবু লৈনবা হোৎনবদা য়াল্লবা শেনফমশিং বিদ তৌবদা হালেংবা লৈখিদে।

টিম পুন্নমক্তা নুপা মঙা, নুপী মরি: ইন্দিয়ন মঙা অমসুং ইন্টরনেসনল রেষ্টলর মরি য়াওনা অপুনবা মেম্বর মাপন্না শাবা টিম অমা শেম্নবা লুপা ক্রোর অনী-অনী ফাওবগী শেনফম চাদিং তৌবগী অয়াবা পীখি।

লীগ অদুগী বিদ লোইখিবা ফাওবদা য়াওখিবা রেষ্টলরশিংগী মনুংদা রিও গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ইন্দিয়াগী সক্ষি মালিক, সর্বা অমরি, রিও গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট ইরিকা ৰৈবে অমদি রিও গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসগী সিলভর মেদলিষ্ট ভলাদিমির খিনচেগাসভিলিসু য়াওখি।

ফ্রেঞ্চাইজ তরুক্তা য়াওরিবা টিম মেম্বরশিং অদুদি হরিয়ানাগীদা মাজোরেদ কুর্বানালিভ (লুপা লাখ ৪৭), সোফিয়া মাট্টিসন (লুপা লাখ ৪১.৫০), অবদুসালাম গাদিসোভ (লুপা লাফ ২০), ইন্দু চৌধরি (লুপা লাখ ৫), সুমীট সেহরাৱট (লুপা লাখ ৪) নি।

মুম্বাইগীদা জাব্রায়িল হাসানোভ (লুপা লাখ ৪৩), ইরিকা ৰৈবে (লুপা লাখ ৪৩), রাহুল অৱারে (লুপা লাখ ৩১), রৈনেরিস সালাস (লুপা লাখ ১৫), কারোলিনা কাষ্টিল্লো হিদালগোল (লুপা লাখ ১৫), লালিটা শেরাৱাট (লুপা লাখ ১৩), সারিটা (লুপা লাখ ১০.৭৫), ভিকাস (লুপা লাখ ৯), প্রিতম (লুপা লাখ ৯) নি।

দেল্লিগীদা মারিয়া ষ্টাদনিক (লুপা লাখ ৪৭), বজরং পুনিয়া (লুপা লাখ ৩৮), সক্ষি মালিক (লুপা লাখ ৩০), বেকজোদ অবদুরাখমোনোভ (লুপা লাখ ২০), সটয়াভার্ট কাদিয়ন (লুপা লাখ ১৮), বেঘবায়ার ইর্দেনেবাট (লুপা লাখ ১৬), পরভীন রানা (লুপা লাখ ৯), অলিনা মাখনয়া (লুপা লাখ ৬), সঙ্গীতা ফোগট (লুপা লাখ ৫) নি।


উত্তর প্রদেশতা ইলিটসা য়াঙ্কোভ (লুপা লাখ ৩১.৫), মারিয়া থামাশুক (লুপা লাখ ২৯), অমিট ধঙ্কর (লুপা লাখ ৩২), লিভান লোপেজ অজকুয় (লুপা লাখ ১৮), গীতা ফোগাট (লুপা লাখ ১৬), ববিতা কুমারি (লুপা লাখ ১৬), মৌসুম খাট্রি (লুপা লাখ ১৫.৭৫), অন্দ্রে কভিটকোভস্কি (লুপা লাখ ১৫), অমিট দাহিয়া (লুপা লাখ ১৪) নি।

পঞ্জাবকীদা ভলাদিমির খিনচেগোসভিলি (লুপা লাখ ৪৮), টোগ্রুল অসগারোভ (লুপা লাখ ৩৫), ওদুনায়ো অদেকৌরোয়ে (লুপা লাখ ৩২), ভাসিলিসা মার্জালিয়ুক (লুপা লাখ ২০), মঞ্জু কুমারি (লুপা লাখ ২০.৫০), জিতেন্দ্রা (লুপা লাখ ১১.৫০), কৃষ্ণন কুমার (লুপা লাখ ৮), নিরমালা দেমী (লুপা লাখ ৬), পঙ্কাজ রানা (লুপা লাখ ৪), মঞ্জু কুমারি (লুপা লাখ ২.৫) নি।

জয়পুরগীদা রিতু ফোগাট (লুপা লাখ ৩৬), ইলিজবার ওদিকাদজে (লুপা লাখ ২৫.৫), জেনি ফ্রান্সন (লুপা লাখ ২৫), বেটজাবেথ অর্গুইল্লো (লুপা লাখ ১৫), ভিনোদ কুমার ওম্প্রাকাশ (লুপা লাখ ১২), জাকোব মাকারাশভিলি (লুপা লাখ ১০), উর্টকাশ কালে (লুপা লাখ ১০), রাহুল, মান্ন (লুপা লাখ ৯), পুজা ধান্দা (লুপা লাখ ৭) নি।

পনবা য়াই, প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিয়ু এল) অসি লাক্লিবা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। হান্নদি টুর্ণামেন্ট অসি চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা তৌরম্বদগী লৈবাক অসিদা দিমোনেটাইজেসন তৌখিবদগী য়ৈথোরকখিবনি।

# লুইস সৌরেজনা বার্সেলোনাগা নৌনা কুমজা ২০২১ ফাওবগী খুৎয়েক পীনখ্রে



কটালোনিয়া, দিসেম্বর ১৭ : লুইস সৌরেজনা বার্সেলোনাগা নৌনা খুৎয়েক পীনবদা য়াখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা কুমজা ২০২১ গী জুন ফাওবা কেম্প নৌদা লৈরগনি হায়না স্পানিশ চেম্পিয়ন অসিনা শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা উরুগুৱেগী ষ্ট্রাইকর অসিনা নৌনা য়ানরবা চেরোল ইন্নদুনা য়ুরো মিল্লিয়ন ২০০ (পাউন্দ মিল্লিয়ন ১৬৭, দোল্লর মিল্লিয়ন ২০৮) পীবা হায়না য়াওরি।

বার্সেলোনানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৪ দা লিভরপুলদগী খুৎয়েক পীনখিবা মতম অদুদগী মেচ ১১৬ শান্নখিদুনা গোল ১৭ চনখিবা সৌরেজনা অনৌবা য়ানা চেরোল অদু ইরাই নুমিৎতা খুৎয়েক পীগনি।

সৌরেজনা হায়খি, ঐনা মফম অসিদা হরাউ তয়াম্না লৈ হায়বসি মখোয়না খঙই অমদি মদুদা ঐগী কন্ট্রেক্ট শাংদোকপদা থোইদোকপা অকায়বা লৈরোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মসি বাকাগী খুদোলপোৎতগী হেল্লে, মসি ঐগী খুদোলপোৎনি। ক্লব অমদি ঐগা অফবা মরী লৈনবনা মখা তানা লৈথবা পাম্মী হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হান্নগী এজেক্স ষ্ট্রাইকর অসিনা বার্কাবু কেম্প নৌদা লৈরিঙৈ মহাক্কী অহানবা সিজনদা লা লীগা, কোপা দেল রে অমদি চেম্পিয়ন লীগ লৌবদা চাউনা মতেং পাঙখি। মহাক্না কুমজা ২০১৫ গী চেম্পিয়ন্স লীগ ফাইনেলদা জুভেন্টসপু ৪-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা গোল চনখি।

সৌরেজনা মমাঙ সিজনদা মেচ ৫৩ দা অপুনবা গোল ৫৯ চনখি, মদুদা লা লীগাদগী ৪০ য়াওরি। মহাক্না টোপ স্কোরর ওইখিবগীদমক য়ুরোপিয়ন গোল্ডন বুট এৱার্দসু ফংখি।

সৌরেজগী অনৌবা দিল অসি বার্সেলোনানা ওক্টোবর থাদা ব্রাজিলিয়ন সুপর ষ্টার নেয়মারবু অনৌবা চহী মঙাগী খুৎয়েক পীনখিবা অদুগী মতুংদা লাকখিবনি।

# অটানু, বোম্বেলানা ইন্দিয়া আর্চরশিংগীদমক অহেনবা কম্পিটিসন পাঙথোকপা পাম্মী

নাভি মুম্বাই, দিসেম্বর ১৭ : এস ইন্দিয়া আর্চর অটানু দাস অমসুং এল বোম্বেলা দেবীনা মখোয়না ওলেম্পিক্সকুম্বা টুর্ণামেন্টদা মেদল লৌবা ঙম্নবগীদমক অহেনবা এক্সপোজরশিং মথৌ তাই হায়না থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ওলেম্পিয়ন এল বোম্বেলা দেবীনা হায়খি, টুর্ণামেন্ট অমগীদমক প্রেক্টিস তৌবা অমদি শান্নবদা য়াম্না খেন্নবা লৈ। ঐখোয়না নুংশিৎ শিৎতবা মফমদা প্রেক্টিস তৌরগা শান্নফমদনা নুংশিৎ শিৎলম্বদা চাউনা খুদোংচাদবা থোক্লি। নুংশিৎ অসি করম্বা মায়কৈদগী লাকপনো হায়বদুদা ঐখোয়না চমন্নবা লৈ অমদি মেইন গ্রাউন্দ (রিও ওলেম্পিক্সকী মফম) দা লৈরিঙৈদা খঙবা ঙমখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অটানুনা মখা তানা হায়, ঐনা নুংশিৎ অমদি নোং মরক্তা প্রেক্টিস তৌখি। ঐনা চান্মদা চান্মা পার্ফোর্মেন্স পীখি অদুবু ঐনা মায় পাকপা ঙমখিদে (রিওদা মেদল লৌনবা হোৎনখিবদা)। ঐখোয়না য়াল্লবা টুর্ণামেন্টশিংদা শান্নবা মথৌ তারি (মেদল লৌবা ঙম্নবগীদমক)। অয়াম্বা মেচশিং শান্নরবদি, মসিগুম্বা অসি অমুক হন্না থোক্লোই (মেদল লৌবা ঙমদবদু)। অসিগুম্বা থৌওং অসি নক্ষ্মৎনবগীদমক ঐখোয়না অহেনবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল টুর্ণামেন্টতা শান্নবা তঙাইফদে অমসুং ওলেম্পিক্সকীদমক য়াল্লবা লীগ মেচশিং শান্নবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দো অসিনা ডা. দি ৱাই পটিল স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা স্পোর্টস ফোর ওল ইনিসিয়েটিবতা শরুক য়ারিবনি। অটানুনা হায়, ঐখোয়গা ফোরেনরশিংগা কম্পিয়র তৌবা মতমদা মখোয়না মেচ ময়াম অমা শান্নরি, মখোয়গী য়াল্লবা স্পোন্সরশিং লৈরি। মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী শান্নবা হৌরক্লে। কোরিয়াদা নঙনা স্কুল অমদা আর্চর ১০০০ লৈবা থেংনগনি অমদি মখোয়না ফেসিলিটিশিং মতীক চানা ফংলি হায়না ফোঙদোকখি।

# অনীশুবা মফমদা লৈরিবা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচকী কোচ নেনাদ জিমোঞ্জিকনা ওইরবা য়াই



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৭ : নুপা টেনিসকী অনীশুবা মফমদা লৈরিবা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা মহাক্কী দেভিস কপ টিমমেট নেনাদ জিমোঞ্জিকপু অনৌবা কোচ ওইনা লৌশিল্লবা য়াই হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

চৎলিবা চহী অসিগী লোইরমদাই তাঙ্কক্তা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদবদগী বৃটেনগী এন্দি মরেনা মহাক্কী মকোক থোংবা মফম মুনখিবা জোকোভিচনা মমাঙ চয়োলদা মহাক্কী কোচ বোরিস বেক্করগা লাপথোক্লনবা ৱারেপ লৌখিবনি। চয়োল ১২২ চুপ্পা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কন্দুনা লাকখিবা অদু মমাঙ থাদা এন্দি মরেনা মুনখ্রবসু মহাক্না কোচ বেক্করগা থল্লকখিবা পান্দম অদু মপুং ফানা ফংলে হায়না মশাগী চহী ২৯শুরবা জোকোভিচনা ফোঙদোকখিবনি।

জোকোভিচনা গ্রান্দ স্লামগী অপুনবা সিঙ্গলস টাইটল ১২ লৌখিবদা তরুক্তি বোরিস বেক্করগা পুন্দুনা কুমজা ২০১৫ অমদি ২০১৬ কী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন, কুমজা ২০১৪ অমদি ২০১৫ গী ৱিমব্লেদন, কুমজা ২০১৬ কী ফ্রেঞ্চ ওপন অমদি কুমজা ২০১৬ কী য়ু এস ওপন য়াওরি।

মতম কুইনা জোকোভিচকী কোচ ওইনা লাক্লবা মারিয়ন ভাজদাদি সার্বিয়ান অসিগী কোচিং টিমদা মখা তানা লৈবগা লোয়ননা জোকোভিচকা লোয়ননা টুর্ণামেন্টদা চৎপদি তৌরোই হায়না এজেন্সিগী রিপোর্ট অদুদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর টু নোভাক জোকোভিচকী মতম কুইনা কোচ ওইদুনা লাক্লবা বোরিস বেক্করগা লাপথোক্লবা হন্দক্তা ৱারেপ লৌখিবনি।

ফেসবুক্তা বোরিসকা লাপথোক্লনবগী ৱারোল অদু লাউথোক্লদুনা জোকোভিচনা হায়খি, চহী অহুম মায় পাক্না লাকমিন্নরক্লবা মতুং বোরিস বেক্কর অমদি ঐহাক্কী পার্টনরশিপ অদু লোইশিন্নবা ৱারেপ লৌমিন্নরে। ঐখোয়না অহানবা ওইনা পুন্না চঙশিনমিন্নরকপা মতমদা থমখিবা পান্দম অদু মপুং ফারে। বোরিসকী কোপরেসন, টিম ৱার্ক, মেদিকেসন অমদি কমিটমেন্টগীদমক ঐনা থম্মোয় শেংনা থাগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবনি। জোকোভিচনা কুমজা ২০১৩ গী দিসেম্বর থাদা বেক্করবু মহাক্কী কোচ ওইনা খনখিবদগী গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস টাইটল তরুক লৌবা ঙমখি।

# ৫শুবা ৱিমেন'স অন্দর-১৮ এসিয়া কপ হোকি টুর্ণামেন্ট সঙ্গিতা কুমারিগী হেদ-ট্রিক্না ইন্দিয়ানা চাইনিজ টাইপৈবু মায়থীবা পীখ্রে



বেঙ্কোক, দিসেম্বর ১৭ : ইন্দিয়ানা মতীং থোক্না পীখিবা পার্ফোর্মেন্সনা মফম অসিদা চথুরিবা মরিশুবা ৱিমেন'স অন্দর-১৮ এসিয়া কপ হোকি টুর্ণামেন্টতা চাইনিজ টাইপৈবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়ানা মেচ অদু হেক হৌবদগী মতীং থোক্না শান্নবা হৌরকখি অমদি মেচকী মিনিট অনী চৎপা মতমদা লীলাভথি মাল্লামাদা জয়ানা গোল অমা চনশিন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। ইদি দয়ানা অহানবা হাফতা উৎখিবা মশক থোক্লবা পার্ফোর্মেন্স অদুনা চাইনিজ টাইপৈগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীখি। জয়ানা চাইনিজ টাইপৈগী সার্কলদা উৎখিবা ষ্টিক ৱার্ক অদুদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু পাক হেক গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। ইদি দয়ানা হাফ টাইম ফাওবদা গোল অমদা মাঙজিল থানা চৎখি। চাইনিজ টাইপৈনা গোল শোখনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা অহানবা হাফতা উৎখিবা পার্ফোর্মেন্স অদুমক চথরকখিদুনা মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা সঙ্গিতা কুমারিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবগী লম্বীদা চাউনা মতেং পাংখি। সঙ্গিতানা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মিনিট নিপানগী মতুংদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইন্দিয়াবু ৩-০ দা মাঙজিল থাহনখি।

মখা তানা সঙ্গিতানা মায়োক্লখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬৫ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমগা অমুক চনশিনখিদুনা হেট-ট্রিক ফংখিদুনা ইন্দিয়ানা য়াম্না লায়না চাইনিজ টাইপৈবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখি।

গেম লোইরবা মতুংদা কোচ বালজীট সিংহনা হায়খি, মসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোর্মেন্সনি। ঐখোয়গী খুৎশান্না উবদা তশেংনা অপেনবা পোকই। মসি ঐখোয়না কেম্পতা অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌখিবা অদুগী মহয়নি অমদি শান্নরোয়শিং ফিজিকেল্লদা য়েংলকপদা অনোক্পসু ওইদ্রে। ঐখোয়গী অৱাৎপা হায়ববু পেনালটি কোর্নরদা পাক হেক গোল ওন্থোকপা ঙমদবা অসিনা ওইরি। অদুবু মথংগী মেচতদি হেন্না ফবা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগনি হায়খি।


GOVERNMENT OF MANIPUR

SECRETARIAT: RURAL DEVELOPMENT & PANCHAYATI RAJ

NOTIFICATION

Imphal, the 17th December, 2016

No. 18/18/2016-RD(MC)/Pt-1: In the wake of recent creation of 7 (seven) new districts in the State viz., Kakching, Jiribam, Noney, Kangpokpi, Kamjong, Tengnoupal and Pherzawl Districts, pressing need has arisen to set up the administrative and developmental machinery in the new districts. Considering the urgency, special measures for quick recruitment to arrange necessary staffing support are considered in public interest. Therefore, Rural Development & Panchayati Raj Department, Government of Manipur, invites applications in the prescribed format (to be issued at the Office of the Director/RD&PR, Porompat) from intending candidates for appointment to the following posts in the proposed DRDAs in the newly created seven (7) districts on temporary basis through sponsorship/registration in the concerned Employment Exchange in Manipur:-

| Sl. No. | Name of Post | QUALIFICATIONS | PAY SCALE (ROP 2010) | No. of posts | ST | SC | OBC | OBCMP | UR | PH 3% Horizontal |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PROJECT OFFICER (PO) | POST-GRADUATE AT LEAST 2nd CLASS IN ANY STREAM FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY. DESIRABLE: EXPERIENCE IN THE IMPLEMENTATION OF RD PROGRAMMES IN GOVT/COMMUNITY BASED ORGANIZATIONS/NGOs | Rs 9300-34800/- + 4300/-(GP) | 21 | 6 | 0 | 3 | 0 | 12 | 1 |
| 2 | PROJECT ECONOMIST (PE) | GRADUATE OR ITS EQUIVALENT IN ECONOMICS/STATISTICS/MATHS AT LEAST 45% OF MARKS & ABOVE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 9300-34800/- + 4300/-(GP) | 7 | 2 | 0 | 1 | 0 | 4 | 0 |
| 3 | ACCOUNTS OFFICER (AO) | POST-GRADUATE IN COMMERCE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 9300-34800/- + 4300/-(GP) | 14 | 4 | 0 | 2 | 0 | 8 | 0 |
| 4 | ASSISTANT PROJECT OFFICER (APO) | GRADUATE OR ITS EQUIVALENT FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY & AT LEAST 45% OF MARKS & ABOVE | Rs 9300-34800/- + 4200/-(GP) | 21 | 6 | 0 | 3 | 0 | 12 | 1 |
| 5 | SUPERINTENDENT/ OFFICE MANAGER | GRADUATE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 9300-34800/- + 4200/-(GP) | 7 | 2 | 0 | 1 | 0 | 4 | 0 |
| 6 | STATISTICAL INVESTIGATOR (SI) | GRADUATE IN STATISTICS/MATHS/ ECONOMICS FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 5200-20200/- +2800/- (GP) | 7 | 2 | 0 | 1 | 0 | 4 | 0 |
| 7 | ASSISTANT | GRADUATE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 5200-20200/- +2400/- (GP) | 14 | 4 | 0 | 2 | 0 | 8 | 0 |
| 8 | ACCOUNTANT | B.COM FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY NOT LESS THAN 2nd CLASS | Rs 5200-20200/- +2400/- (GP) | 21 | 6 | 0 | 3 | 0 | 12 | 1 |
| 9 | LOWER DIVISON CLERK (LDC/ REDESIGNATED AS OFFICE ASSISTANT CUM COMPUTER OPERATOR) | GRADUATE WHO HAVE COMPLETED A COURSE ON COMPUTER CONCEPTS (CCC) OF A CENTRAL/STATE RECOGNIZED INSTITUTE | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 49 | 15 | 0 | 6 | 2 | 26 | 1 |
| 10 | STENO GRADE - III | MATRICULATE OR ITS EQUIVALENT FROM A RECOGNIZED INSTITUTE/BOARD WITH SPEED OF 80 (EIGHTY) WORDS PER MINUTE IN SHORT HAND (ENGLISH) AND 40 (FORTY) WORDS PER MINUTE IN TYPING SPEED IN ENGLISH RELAXABLE FOR SC/ST CANDIDATES UPTO 60 WORDS PER MINUTE IN SHORT HAND AND 25 WORDS PER MINUTE TYPING SPEED | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 7 | 2 | 0 | 1 | 0 | 4 | 0 |
| 11 | DRIVER | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD WITH DRIVING EXPERIENCE OF NOT LESS THAN 3 YEARS | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 7 | 2 | 0 | 1 | 0 | 4 | 0 |
| 12 | ATTENDANT/ GRADE-IV | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD | Rs 4440-7440/- +1300/- (GP) | 21 | 6 | 0 | 3 | 0 | 12 | 1 |
| | | | TOTAL | 196 | 56 | 0 | 28 | 2 | 110 | 5 |

2. Tentative Timeline for the recruitment:-

| Name of post | Date of requisition from EE | Last date of requisition from EE | Date of Notification | Date of issue of forms and admit cards | Last date of issue/ submission of forms | Date of viva-voce |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 | 7 |
| Sl. No. 1 to 12 | 17/12/16 | 24/12/16 | 17/12/16 | 19/12/16 | 24/12/16 | 27/12/16 onwards. Post-wise date & timing may be obtained from the office of the Director/RD&PR |

3. Age of the aspiring candidate shall be 38 years & below for UR category (relaxable by 5 years for SC/ST & 3 years for OBC candidates) and others as per State Government Policy on the date of this Notification.
4. The recruitment will be conducted through "Interview Method" except Sl. No. 9 & 10 for which there be a typing test also.
5. The number of posts may be increased or decreased subject to the availability of vacancies from time to time.

By Orders,

(Sumant Singh)
Secretary/RD & PR,
Govt of Manipur

HL-B/3552/18